ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯸, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯵꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, মার্চ ১৮, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩৫০শুবা মশীং

## এদভান্স ইন্টেল্লিজেন্স অমসুং ইনভেষ্টিগেসন অনীমক শোনমনখ্রে

মার্চ ১৯, ২০১৭তা লিংখিবা মমাঙগী ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লিদুগী মপুন্সি মার্চ ১৯, ২০২২দা লোইরগদবনি। অদুবু অরোইবা নুমিৎসি য়ৌরক্ত্রিঙৈ নুমিৎ খরা ঙনখৎনা অনৌবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি লিংখ্রে। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা অনৌবা এসেমব্লিগী রিজল্ট মার্চ ১০, ২০২২দা লাউথোকখিবদগী অপূনবা সিট ৬০গী মীহুৎশিং মশক খঙদোকপা ঙমখিবদগী গভর্ণরনা প্রোটেম স্পিকর ৱাশক লৌহল্লবা মতুং মহাক্না অমুক মীহুৎ ৫৯বু হাওসকী মেম্বরশিং ওইনা ৱাশক লৌদুনা অনৌবা এসেমব্লি লিংখিবনি। হৌজিক ৱাৎলিবা হায়ববু ১২শুবা এসেমব্লিসিগী অনৌবা লৈঙাক অমা লিংগদবদা ঙাইরে। মস্বাইসি য়ৌরকপদদি মতম লোইশিনখ্রবা হান্নগী অরিবা ওইরবা লৈঙাক্তু হেক্তা কাউথোকপা চুম্লোই। মরমদি ত্রান্সপরেন্ট ওইবা, একাউন্টেবিলিটি লৈবা লৈঙাকনি হায়দুনা ইনর্জেটিক চীফ মিনিষ্টর অমগী মখাদা চহী ৫গী টর্ম শুনা লৈঙাক পায়খিবদুগী মতমদা ষ্টেটকী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম শীংথানবা য়ানা ফগৎহল্লে হায়খ্রিবনি। নুমিদাংদা শেল খরদা ওইরবসু পুদুনা চৎথোক-চৎশিন তৌবা ঙম্লে। ফমুংদা নে তানা তূম্বা ফংনরে হায়খিবনি। হায়বগা তৌবগা ফনা য়াম্নসু ফখি। মমাঙগী লৈঙাক্কী মতমদা থোক্লম্বা থৌদোক ৱাথোকশিংগী মশীং য়াম্না হন্থখি। বন্দ/ব্লোকেদকী চাংসু হন্থখি। তশেংনমক মপূং ওইনা য়েংবদা ঈং-তপ্পা হায়বদুমক ওইখি হায়বা য়াই। অদুবু থোকখ্রবা মতুংদা থোকহন্নীংদবনি হায়বা, এন্টি-সোসল ইলিমেন্ট অমসুং ক্রিমিনেলশিংনা থোকহনবা থৌদোক খরদি অদুম্মক থোকখি। আউট-লো অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসনশিংগী ওপরেসন অমসুং ওফেন্সিভশিংদি মশীং খরা হন্থখি হায়বদি য়াই। অমত্তা থোকখিদ্রে হায়বদি য়ারোই। খরদি অদুম্মক থোকখি। অদুগা অনৌবা মীখল পাঙথোক্লমদাইগী মতম নকশিল্লকপগী প্রি-পোল অমসুং মীখল পাঙথোকখ্রবা মতুং পোষ্ট-পোলদনা নোংমৈ, বোম য়াওবা থৌদোক মশীং খঙদনা থোকচিল্লকখি। ভোট থাদনবা নুমিৎতা ফাওবা থোকখি। মীশি-মীনা, অমাঙ-অতা কয়া চরোং ওইনা থোকখি। থবক ঙম্বা অমসুং ইনর্জেটিক ওইবা চীফ মিনিষ্টরগী লমজিং মখা লৈখিবা লৈঙাক অদুনা হোৎনজখিবা পূম্বা উৎতা ঘি হৈজিনবগা পাঙ্খক ওইখি। লিননা মখুল চঙলমদাইদা চুম্মী হায়বগী ফীভমদুমক থোকখি।

মসি পূম্নমক্কী মরমশিং শোয়দনা লৈগনি। লৈফমসু থোকই, লৈসু লৈ, য়ামসু য়াম্মী। অদুবু মরমশিং অদুগী অনীখক খনগৎতুনা চিংখৎলগা নৈনবা য়াবদা ষ্টেট হোম দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা ষ্টেট পুলিস ওর্গনাইজেসনগী মরী লৈনবা য়ুনিটশিংগী মায়কৈদগী এদভান্স ইন্টেল্লিজেন্ট খোমজিন্দুনা মাঙজৌননা খঙদোকহৌবা ৱাৎপা, ইন্টেল্লিজেন্ট ইনপুটশিংগী মপু ওইবা ঙমখিদবা অমসুং করিগুম্বা থৌদোক অমগী মতাংদা মতম চানা চথ্খগদবা ইনভেষ্টিগেসন চথ্খবা ঙমদবা, মসিনা মরম ওইরদুনা থৌদোকশিং অদুদা চেন্নবা কলপ্রিট/এক্ক্যুজশিং শুনা বুক তৌবসু ঙমদে, মখোয়গী মথক্তা চার্জশীট ফ্রেম তৌবা ঙমদে। ৱায়েল চথ্খনবা কোর্টতা লানখৎলকপসু ঙমদে। অদুবু মসিবু ‘এবল’ অমসুং ‘ইনর্জেটিক’ ওইবা চীফ মিনিষ্টর অমনা হোমগী থবকসু খূৎপায়নখ্রগা ওইহনফম থোকপা ফীভল্লা হায়বগী ৱানি। ষ্টেটকী লো এন্দ ওর্দর মেন্টিনেন্সতা হায়রিবা থবক অনীসিসু মরু ওইখ্রবা শরুকশিংনি হায়বদু খঙগদবনি। হোমগী থবক পায়রগা রিক্রুটমেন্ট পাঙথোক্কনি, প্রমোসন পীনি, ত্রান্সফর অমসুং পোষ্টিং খক্তমক পীবনা মরু ওইবা থবকশিংনি হায়দুনা লৈথোকপা য়ারোই। অসুম্মাইনা লৈথোক্লগদি হৌজিক শেমগদৌবগী ঙাইদুনা লৈরবা অনৌবা লৈঙাক্তসু উচিদা অমুক হঞ্জিলহন্দুনা চপ মান্নবা থোক্লক্কনি। নোংমৈনা কাপ্তুনা মীচম হাৎলক্কনি, তূম্লিঙৈদা ফম্মাংদা বোম পোকখায়রকখিনি, চেন্নবা মীওই ফাবা ফংলোই, শীজিন্নখিবা নোংমৈ ফাগৎপা ঙম্লোই। ক্রিমিনেলশিংনা তৌনীং-তৌনীংবদা তৌদুনা লৈগনি। মসিগীদমক এদভান্স ইন্টেল্লিজেন্স খোমজিনবা অমসুং ইনভেষ্টিগেসনগী থৌদাং লৌগদবা মচা-মশুদা হায়নীংদে, ঙাঙনীংদে। মখোয়গী মপি-মপা ওইদুনা মখোয়বু য়াচল লাক্লিবা হোম দিপার্টমেন্টকী থবকশিং কোকথোংনরক্কদবা মীওইদা ওইনা হায়নীংই। অনৌবা লৈঙাক লিংলক্লবদি থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিংসি থোকহল্লক্লনুকো।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৮

১) মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিকনি ‘খুরুমজবগী অথুপ্পা মহাউ (ভক্তি রস)’ হায়বসি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) ‘‘**লমকোয়বগী খোর্জেদগী**’’ হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো, করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) অয়েকপম শ্যামসুন্দরগী ***‘‘মাইনু পেমচা’’*** হায়বসি ইংরাজিদা কনানা হন্দোকপগে?

৪) ***‘‘মালঙনা লৈখোক্তা হংখি/কদাই ঙরাংগী শিঙ্গারৈ,/লেমহৌবা উফুলদা হংখি/’’সিরা ঐগী মপোক্তো।।/কল্লবা উনানা ৱাকৎলি/করিগী কেলহল্লি ঐবু/শিন্নরম্বনি উপালদা/য়েন্নিংথানা হল্লক্ত্রিফাও।।’’*** শক্লাইরবা শৈরেংবা অমগী শৈরেং মতেকনি। শৈরেংবসি কনানো, মাগী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

৫) ***‘‘খোইয়ম অশীবদি, লয়শেম লয়রোই ঙমদনবগী, কুরু শিদবা সনা মখোঙ-খা চেংলৌ মায়থোং-ওন, কুমচীং হিগোক লীওংনা, য়াথং পাউমেনজঙমদা, শমু খোঙবী লয়খৈ য়েংনা ৱাইথুংলববু, নমু মীপূক খঙবা লাইয়িংথৌনা, মপারী শককোয় চিংনা য়েংনা শানখঙলুরবগী, পারী অতোনবা, শংলৌ মথৌরাংনরিঙৈনে, নিঙখল্লুরবগী অমরক ৱাহমখিয়ে।’’*** ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ঙসিসি য়াওশঙ নুমিৎনি, খরদং নৈননীংই!

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

ঙসিসি কুমসি কুমগী য়াওশঙ কুম্মৈগী অহৌবা নুমিৎনি। ইরমদম মণিপুরসিদা হোরেল নুমিদাংৱাইরমদি শোয়দনা য়াওশঙ মৈ থাবা উবা ফংলগনি। মীতৈ/মৈতৈশিংনা চহী অমগী মনুংদা য়াওশঙ হায়বা কুম্মৈসিনা খ্বাইদগী হেন্না চাউনা পাঙথোকই। তৌইগুম্বসুং, ইরমদম মণিপুরসিদা পাঙথোক্লিবা খ্বাইদগী হেন্না চাউবা কুম্মৈসিগা মরী লৈননা করম-করম্বা লাইরেম্বা-লাইরেম্বীশিংবু কুম্মৈরোয় ঐখোয়না, পূক্নিং অনী লোংদনা, ঈং-তপ্পা খুরুমজবা চুমগদগে অমসুং য়াইফ-থৌজাল নিজবা মথৌ তাবগে হায়বদুদি ঙসি ফাওবদা কনাসু হায়বা ঙম্নদ্রি। য়াওশঙ কুম্মৈগী মরমদা চয়েৎনবা কয়ামরুম্না পীক থন্দুনা লৈরি। লমদমসিদা মপূং ফানা পাঙথোক্লরিবা য়াওশঙ হায়না মিঙ্গৌনরিবা কুম্মৈ মখলসিগী ওইবা ময়েক শেংবা পরিং-পথাপ অমদি হৌরকফম শোয়দনা লৈফম থোকই। কুম্মৈ মখলসিদা চয়েৎনরিবশিংসি মচা খায়না খায়দোকপদা অসুক্কী মতিক লুরগনি। করি মরমগীদমক কুম্মৈ মখলসিগী মমিংবু য়াওশঙ হায়না থোল্লম্লিবনো? কুম্মৈ মখলসিগা য়াওশঙ মৈ থাবগা কয়ামুক য়াম্না লাপথোক্লবা য়াদবা মরী লৈনদুনা, য়াওশঙ মৈ থাবনা কুম্মৈসিগী খ্বাইদগী হেন্না লূম্না লৌনবা অমসুং পাঙথোক্তবা য়াদ্রবা থৌদৌ অমা হায়বদু ওইরিবনো? ৱাফমসি ঐখোয়না য়াম্না মমুৎ তানা নৈনবা চুমগনি। সিদসু নত্তনা অতৈ মরম ময়াম অমগীসু চয়েৎনবগী মমিশিং কুম্মৈসিদা পীক থন্না তারি। য়াম্না ঙক্লবা য়ারিবা ৱাফম অমনা, লমদমসিদা মীতৈ/মৈতৈশিংনা মপূং ওইনা পাঙথোক্লিবা য়াওশঙ কুম্মৈ হায়বসি শুপ্নগী লাইনীং-লাইশোন মখল অমত্তগী কুম্মৈদি খক ওইদ্রে। য়াওগী শঙ অমবু মৈ থাদোকপগী থৌরম হায়রবদি মদু ঐখোয়না খঙবদা খৃষ্টিয়ান লাইনীংগী লম্বীরোমদা হেন্না নকশিনবরা খল্লি। খৃষ্টিয়ান লাইনীংদা থৌদৌসিগী শাংলবা ৱারী পরিং য়াওরি। অনীশুবদা, য়াওশঙদা নাক্কথেংলিবা, হোলি পালাশিং চৎলিবসিনা হিন্দু লাইনীংদগী লৌরকপা শোয়দনা ওইগনি। অহুমশুবদা, হৌজিক্কী মতমদা য়াওশঙ কুম্মৈগী খ্বাইদগী লূম্বা মচৎ অমা ওইরিবা, নুমিদাংদা থাবল চোঙবা হায়দুনা পাঙথোক্লরিবা থৌদৌসিনা মীতৈ/মৈতৈশিংগী শেংলবা মচৎ ওইনা লৈজরম্বা শরুক্তু ওইফম থোকই। হীরমশিংসিগী মতাংদা মখাদা খরদংগা মখা তানা থমজরি।

মীতৈ/মৈতৈশিংনা লাইনীং মখল অহুমগী মচৎশিং তোৎশিন-য়ানশিন্নদুনা মতৌ করম্না কাঙলূপসিগী ওইবা খ্বাইদগী হেন্না চাউবা কুম্মৈ, য়াওশঙ কুম্মৈ হায়বসি শেল্লম্লিবনো হায়বসি হৌজিক্তি থিগৎপগী মথৌ তঙাইফদনা তারক্লে। মীতৈ/মৈতৈশিংনা পাঙথোক্লিবা য়াওশঙ হায়বা কুম্মৈসিদা খ্বাইদগী হেন্না মপূং ওইরিবা ৱাফমদি কুম্মৈসিগী মমিং য়াওশঙ হায়না থোল্লম্বসিনি। চয়েৎনরিবসি কুম্মৈসিগী মমিং ওইরিবা য়াওশঙ হায়বা মিংসিদনা অয়াম্বনি। কনাগুম্বনা য়াওশঙ হায়গদবা নত্তে য়াওংশঙ হায়গদবনি হায়বা ৱাফমসু থেংনখিবগুম তৌখ্রে। য়াওংশঙ হায়বা ওইরগনা মৈ থারিবা য়াওংশঙসি কনা পোকপগী য়াওংশঙনো, ময়েক শেংনা খঙহনবীগদবনি। চীনবুং ওইনা হায়বদা লান্নখিবা মিং ওইরগনা করি মরমগীদমক হৌজিক ফাওবদা, চহী অসুক শাংখ্রবা মতমসি লানখিবা মিংসি চুমথোক্তনা থল্লক্লিবনো? ঐখোয় খুদিংমক্না তানরিবা মৈ থাখিবা য়াওশঙগী ৱারী হায়রগদি, খৃষ্টিয়ান লাইনীংগী মনুং চন্না লৈবা ৱারীদা খক্তনি থেংনরিবসি। খৃষ্টিয়ান লাইনীংগী মবুংঙো ওইরিবা প্রভু যিশু পোকপদা মাঙজৌননা প্রভু যিশু পোল্লক্কনি হায়বসি মপুগী লাইবাউ তাখ্রবা মীয়াম্না চিক্লা-চাইনবা ঙমদবা মখৈ প্রভু যিশুনা তাইবঙদা মঙফাওনরক্কদবা মফমদু থিদুনা কোইওম-ওমশিন্নরকখি। মীয়ামদুনা য়াম্মনখিবদগী তৌফম খঙদ্রবা প্রভু যিশুগী মমা মেরিবু শেন্নরিবা কাঙলূপ্তুনা মীয়ামদুবু কায়হনখিনবগীদমক মনাক নকপদা লৈবা য়াওগী শঙ অমবু মৈ থাখি অমসুং মীয়ামদু মৈ চাক্লিবা য়াওগী শঙ অদোমদা ওইনা ওমশিন্নহনখি। তাঞ্জাদুদা প্রভু যিশু তাইবঙপানসিদা মঙফাওনখি। ফীভমসিমক্না খৃষ্টিয়ান লাইনীংগী প্রভু যিশু পোকপগী ৱারীদা থেংনরিবা য়াও থম্ফম শঙ, য়াওশঙ অমা মৈ চাকখিবগী ৱারীসিগা মীতৈ/মৈতৈশিংগী য়াওশঙ কুম্মৈগী ৱারীগা অনীসি মরী লৈনৈ হায়না লৌবসি খক ঙমদে। মসি ওইথোকপা য়াগদবা লম্বী মান্দে। তৌইগুম্বসুং লুরিবদি, মথক্তসু হঞ্জিন-হঞ্জিন পঞ্জখ্রে, য়াওশঙ হায়বা ৱাহৈসিনা অসুক চাউখ্রবা মীতৈ/মৈতৈশিংগী কুম্মৈসিগী মমিং ওইরম্বসিনি। ওইরক্লিবা ফীভমশিংসি নৈনবদা, ঙসাই মথক্তা থমজখিবা য়াওংশঙ হায়বা ৱাহৈসিগা মীতৈ/মৈতৈশিংগী লমতা তাগী থানিল নুমিত্তা পাঙথোকপা হৌরিবা কুম্মৈসিগা খরদং ওইরসু পকশিন্নবদা য়াবা অমসুং শমজিন্নবদা ৱাদবা ৱাফম্বুদি ইবুধৌ পাখঙবা কোঞ্জিন তুথোকপা পোকখিবগী ৱারীরোমদা পুশিল্লগদি ওইথোকপা য়াবগী লম্বী চাউনা লৈগনি খল্লি। অদুবু অখঙ অহৈশিং তানখিবদি চুমখিরোই। মরক্তা চহী লিশাং শিৎনা ময়েক মুৎলুরবা মীতৈ/মৈতৈ কাঙলূপকী পুৱারী ওইখিবনা অসিগুম্বা মমি শাম্বা অসুং মুৎপগী থৌদৌদি শোয়দনমক্কী খরদি অদুম্মক ময়াওরগদবনি।

হৌজিক মীতৈ/মৈতৈশিংগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা য়াওশঙ কুম্মৈনা ইরমদম মণিপুরসিদা মতৌ করম্না খৃষ্টিয়ান লাইনীংগা মরী লৈনবা মাল্লম্লিবনো হায়বসিগী মতাংদা চমম্লবা খরদি কোক্লখ্রে। মখা তারকপদদি, মতৌ করম্না কুম্মৈসিনা হিন্দু তঙ্খায়, মীতৈ/মৈতৈগী তঙ্খায় ওইরম্লিবনো হায়বসিগী মতাংদা অমুক খরদংগা মখা নৈনমিন্নখিসি। মণিপুরগী পুৱারীদা শুম থোকউ হায়দুনা কুমজা ১৭০৯দগী হৌনা মণিপুরদা হিন্দু লাইনীংগী ওইবা শাংলবা পেরিওদ অমনা মীতৈ/মৈতৈগী পুৱারীদা য়াম্না চাউনা অমসুং শাংনা মফম কন্দুনা লৈরকখিবগী অচৌ-অচৌবা মহয়শিং কয়ামরুম ঐখোয়না ফংলকখ্রে। থৌদৌসিগী মখাদা মতম অমদা মীতৈ/মৈতৈশিংনা ইবুধৌ পাখঙবা পোকপগী হরাউ-তয়াম্বা ফোঙদোকপগী থৌদৌদু ইবুধৌনা পোকপীখিবা মফম, য়াওংশঙ অদুবু মৈ থাবগী কুম্মৈনা ফোঙদোক্লরম্বা ওইরম্বা য়াই। মসিমক চুম্লমগনি খল্লি, মরমদি মথক্তসু পঞ্জখ্রে, কনাগুম্বা অখঙ অহৈশিং খরনা মীতৈ/মৈতৈশিংনা খ্বাইদগী চাউনা পাঙথোক্লিবা কুম্মৈ, য়াওশঙ হায়বসি য়াওশঙ হায়না হৌজিক্তা থৈথনখিবগী ৱানি, অশেংবদি য়াওশঙ হায়বগী মহুত্তা য়াওংশঙ হায়গদবনি হায়না। য়াওংশঙ হায়বসি কুম-থা শুরবী, নাওপুরিবী নুপী অমনা অঙাং উন্ননবগীদমক টেম্পররি ওইনা শাবা খাংপোকশঙ অমনি। অদুগুম্বা খাংপোকশঙদুদা অঙাং উন্নববু শঙগুম্বা হায়না খঙনৈ। থৌদৌসি য়েলহৌদগী হৌনা চৎনরকপা ৱাফমনি। মমা ওইবীদুনা অঙাং উন্নবা হেক লোইবগা খাংপোকশঙদু মাংই হায়দুনা মৈ থাদোক্তুনা মাঙহন্নরম্মী। থৌদৌসি হিন্দুশিংগী ৱারীদা, হিংচাবী শাগৈদা পোকপী মহাদেব নীংবী মনে হোলিকা অমসুং হিংচাবা শাগৈদা পোকপা হীরৈন্য কৌসিকপু কৌবা নিংথৌগী মচানুপা শ্রীবিষ্ণু নীংগনু য়াদবা প্রহ্লাদ, অনীগী মৈগী কুণ্ড তৌরগা মৈ থানখিবগী থৌদৌদুনা মহুৎ শিনজিন্নবা হোৎনবদি চুনগনি থাজদে। য়াওংশঙদগী য়াওশঙ হায়বা ৱাহৈদা থৈথখিবনি হায়বসিদি চুম্লমগদ্রা খল্লি। ইবুধৌ পাখঙবা পোকপগী য়াওংশঙ মৈ থারগা ইবুধৌ পাখঙবগী মতিক মঙম শোন্নবগী থৌদৌদুবুনা হিন্দুশিংগী ওইবা হোলি পালাশিংনা মহুৎ শিনহনবসু চানগনি থাজদে। ফীভমসিদা, ইরমদমসিগী মীতৈ/মৈতৈগী ওইবালোন, নাট, লাইনীং অমদি ফিজেৎ-চাকচানচিংবা কয়ামরুমসিসু অসুক্কী মতিক হান্না লৈরম্বশিংদগী হোংখ্রবনি। ফবা অমসুং ফত্তবনা অমনি, হৌজিক-হৌজিক্তা লৈরল্লবা পোৎশকশিংসি মতম অমদা ঐখোয়গী ওইনা লৈজখিবা পোৎশকশিংদুদগী অয়াম্বনা হোংলম্বসি থম্মোয়দা অসুক্কী মতিক নুংঙাইতবা ফাওই। চৈনাশিংসি কোকহন্নবা ঐখোয় হোৎনমিন্নবা চুমগনি। পূম্নমকসি শমজিল্লগা মতম-মতমদুদা ঐখোয়না থমজখিবা ঐখোয়গী খুভমশিংদু কায়দনবা অমসুং ঐখোয়গী পুৱারীগা চান্নন চৎমিন্নবনা হেন্না চুমগদ্রসু খল্লি।

মীতৈ/মৈতৈশিংগী পুৱারীদা অচৌবা অহোংবশিং থোকখিবা তাঙ্ককশিং লৈখিবনা কাঙলূপসিগী লাইনীং-লাইশোন, নাট অমদি হরাও কুম্মৈনচিংবগী চৎন-কাঙলোনশিংদা অসুক্কী মতিক অঙকপা ফংনা অহোংবশিং পুরকহল্লি। অহোংবশিংতনা পীক থল্লবা চৎন-কাঙলোনশিংসিগী মখা পোল্লুবদগীনি, ঙসি মণিপুরগী মীতৈ/মৈতৈশিংনা চহী অমগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউনা লাৎতুনা পাঙথোকচরক্লিবা মতম অমগী ঔগ্রী হঙ্গেন চোঙবা, ঙসিনা য়াওশঙ মৈথাবা, হোলি পালা চৎপা, নাক্কাথেংবা, নুমিদাংদা থাবল চোঙবা নৎত্রগা বেন্দ চোঙবা ময়াম অমনা মহুৎ শিনখ্রিবসি। পূম্নমকসিনা মহুৎ শিন্দুনা অমদি অপূনবসিগী মিং য়াওশঙ কুম্মৈ হায়না থোন্দুনা মমাঙঙৈ য়েলহৌঙৈগী অশেংবা থৌদৌশিংবু লাম্বা ফংলরোইদবা মওংদা খূৎশেমগী পোৎয়ানশিংনা লমখাঙদা খঞ্জিন্দুনা অচুম্বা মশক খঙহন্দবগী থৌদৌসি তশেংনা পেঞ্জদে অমসুং চুমথোকচনীংই। অদুম ওইনমক, অচুম্বা কাঙলোন পূম্নমকসি ইমিৎনা, ইখোঙনা হেক্তমক তশেং তশেংনা উরবা ঙাক্তদি নত্তবনিনা হায়জরিবা পূম্নমকসি ঙসিদি নৌহৌনা হেক্তা চুমথোক্লসি হায়জবদি ঙমজদে। পূম্নমকসি থিজিনমিন্নবগী মথৌ অমদি ইতাদা তাদুনা লৈরি হায়বা ৱাফমসিসু থম্নীংই। ●

আর কে মাইপাকসনা জর্নেলিষ্ট ফেলোসিপকী মখাদা ইজবা

# ইন্দিয়া লিগ ফুটবোল্লর দাংমৈ গ্রেসনা হৌরক্লিবা নুপী শান্নরোয়শিংবু প্রমোট তৌনবা হোৎনরি

**– বিজয় লাইশ্রম –**

অফবা ফুটবোল প্লেয়র অমা ওইনবা হোৎনবা হায়বা অসি অরাইবা থবক্তি নত্তে। অদুবু থৱায় হকচাং য়াওনা কন্না হোৎনরগদি পুন্সিদা মায় পাকলোইদবগী মরমদি লৈতে। ফুটবোল প্লেয়র অমা ওইনা পুন্সিদা নুংঙাইবসু থেংনগনি অদুগা অৱাবসু থেংনগনি। অদুবু অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়নননা দিসিপ্লিন নাইনা কন্না হোৎনরবদি অফাওবা প্লেয়র, মীনা মশক খঙনবা হোৎনবগা লোয়নননা মহয় চানবা হোৎনবা য়াম্না মরু ওই। নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল থাক্তা নুপীগী ফুটবোল মশান্নদা তোঙান তোঙানবা টিম ৱিন্নর মঙা ওইবদা শরুক য়ারক্লবী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনিংদা কিলোমিটর অনীরোম চৎলগা দিমদাইলোং খুন্দা লৈবী দাংমৈ গ্রেসনা পাউচে অসিগা অখন্ননা উন্নবদা মহাক্না হায়, মহাক মচিন মনাও নুপা অহুম, নুপী অহুম পূন্না তরুক্কী মনুংদা মহাক্না মরি শুবনি। মহাক্কী অপোকপা দাংমৈ সাইমন অমদি অপোকপী দাংমৈ রিতা কৌই। মহাক চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা দিমদাইলোং খুন্দা লৈবনি। মহাক এন জি কোলেজদা বি এ পাস তৌখি। মহাক্কী অপোকপা দাংমৈ সাইমন অসি পাষ্টরনি। মহাক ক্লাস আইট তম্বদগী হৌনা ফুটবোল শান্নবা হৌরকখি। মহাক স্কুল ছুটি হেক থাবগা বিষ্ণুপুরদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) গী গ্রাউন্দদা ফুটবোলগী কোচ পল্লিক কৌবা অমগী মখাদা কুমজা ২০০৪-১০ ফাওবা শান্নবা হৌরকখি।

মহাক নুংথিল পুং ৩ হেক তাবগা স্কুলদগী য়ূমদা হল্লক্লগা দ্রেস হোংদোক্লগা সাইকল তোংদুনা চৎলগা বিষ্ণুপুরগী দি এস এ গ্রাউন্দ তম্না চৎলগা ফুটবোল শান্নবনি। নুংতিগী ফুটবোল শান্নবা অদুদা কোচ পল্লিকনা মহাক খল্লগা অন্দর ১৪গী ত্রাইএল থাবীখি। মহাক মমান্নবী তরুক্তা ত্রাইএল চৎখি। মদুদা মহাক অমদি মমান্নবী উরবশ্রি কৌবা অমগা খল্লত্তুনা নেসনলগী শান্নবা চৎলে। মথংগী ওল্লকপা চহীদা ইন্দিয়া ত্রাইএলগী সেলেক্সন অমুক ফংদুনা ভোপালদা ত্রাইএল চৎলগা নেসনলগী সেলেক্সন অমুক ফংখি। কুমজা ২০১০দা অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্ট তৌরগা শ্রী লঙ্কাদা শান্নবা চৎখি। মদুদা ফর্ষ্টতি তাহৌদ্রে, অদুবু ইরানগী মখূৎতা পোখি। প্রাইজদি লৌখিদে। ইন্টর স্কুল টুর্নামেন্ট কয়াদা শান্নবসু চৎখি অদুবু বেষ্ট ফোরৱার্দ অমুক তাখি। গোৱা অমদি অস্ফাগী ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংদসু শরুক য়াখি। অস্ফাগীসু অন্দর ১৬ ত্রাইএল অমুক চৎখি। মথংদা উত্তরখণ্ডদা শান্নবা চৎপদা অহানবা ওইনা নুপী ফুটবোল শান্নবগী কোচ ওজা চাওবা থেংনখি। ওজা চাওবনা অমুক পুরগা শান্নবা চৎপদা ৱিন্নর টাইটল লৌরকখি। মদুগী মতুংদা মহাক্কী অহানবা কোচ ওজা পল্লিকনা নুপীগী টিমদা ওইনা শান্নবা চৎলু হায়বদগী মহাক এন ও সী লৌরগা ক্রিপসাদা অমুক কুমজা ২০১০-১১দা ত্রান্সফর লাকখি। মদুদা শান্নবা হৌবদা কুমজা ২০১২দা অন্দর ১৯গী ত্রাইএলদা মণিপুরগী ফুটবোল্লর মঙা খল্লগা শান্নবা চৎপদা অমুকসু মহাক সেলেক্সন ফংখি হায়রি।

মখোয় চহী অদুদা মলেসিয়াদা চৎলগা শান্নবদা অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী ক্বালিফাই ওইখি। মদুগী মতুংদা ভিএটনামদা অমুক কুমজা ২০১২দা শান্নবা চৎপা মতমদনা দাংমৈ গ্রেসনা কেপ্তেন ওইদুনা শান্নখি। অদুবু মফম অদুদা শান্নবদদি ক্বালিফাই ওইখিদ্রে। মদুগী তুংদা মরক মরক্তা নেসনলগী শান্নবা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা অমুক চৎলি। অন্দর ১৯গী ফুটবোল শান্নবা অদুদা চেম্পিয়ন লৌরকখি। মদু কুমজা ২০১২-১৩দা ওজা চাওবনা পুরগা চৎপনি। মদুগী মতুংদা অমুক কুমজা ২০১৩দা মহাক সিনিয়র কারে।

মতম অদুদা সিনিয়র প্লেয়র ইচে বালা, ইচে বেম, সসমিতা মালিক অমদি ইচে রোমিগা শান্নমিন্নরে। মদু উবদা মহাকসু মখোয়গুম্না নোংমদি ফাওনবা শান্নগে হায়না পূক্নিংদা ইহুল অমা ফাওরকখি। মদুদগী ফুটবোল শান্নবা অসি হেন্না থৱায় য়াওরকপগা লোয়নননা প্রোফেসনেল ওইনা শান্নরগে খনখি। সিনিয়রদা অহানবা ওইনা সেলেক্সন ফংদুনা পেলেষ্টাইনদা শান্নবা চৎপদা লাইবক ফদুনা অমুক সেলেক্সন ফংলে। মদুদগী মখা তানা অমুক পেলেষ্টাইনদা চৎতুনা শান্নবদগী মথং মথং চৎতুনা শান্নবদগী হৌজিক ফাওবা লেপ্তুনা শান্নরিবা অসিনি। এস এ এ আর সী গেমদা হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়ানা চেম্পিয়ন মঙারক্লুম্বা লৌরকখ্রে। মহাক রাইট ৱিংগর ওইনা শান্নবনি। অদুবু হৌজিক্তি রাইট ৱিংগর অসি ষ্ট্রাইকরদা ওইনা ওল্লে। অদুবু রাইট ৱিংগর অমদি ষ্ট্রাইকরদা ওইনা শান্নরি।




মহাক ইন্দিয়াগী ওইনা ২০১৯দা ইমর্জিং প্লেয়র তারকখি। চহী অদুমক্তদা অস্ফাগী ফুটবোল্লর ওফ দি য়র তারকখি। মহাক মপাল লম অমগী শান্ননবা কন্ট্রেক্ট লাকখি অদুবু মহাক্কী হান্নগী কন্ট্রেক্ট লোইদবনা লৌখিদে। দাংমৈ গ্রেসনা অহানবা ফুটবোল শান্নবা হৌরকপদা য়ূমদা ফাইনান্সিএলগী প্রোব্লেম লৈবদগী খুদোংচাদবা খরদি থেংনখি। মহাক্না ফুটবোল শান্নবা কুমজা ২০১৫দা সাউথ এসিয়ন গেমস শিল্লোংদা শান্নবদা খুকউদা শোকপদগী থা অহুম/মরিদি মহাক রেষ্ট লৌখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকপদা হৌজিক্কী হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা থবক অমা তৌবা মতমদা নিংহন্নবা লৈতনা ইশাগী থাজবা অমগা লোয়নননা কন্না হোৎনরবদি মহয় চাবা ফংগনি। মহাক্না লাইরিকসু তম্না তম্না ফুটবোল শান্ননবা হোৎনবদা মশাদা খুদোংচাদবা অৱাবা কয়া থেংনখিবা অদু কোন্না মদুগী নুংঙাইবা মীকুপ কয়াসু য়াওদবা নত্তে। হৌজিক ইনখৎলক্লিবা নহা অয়াম্বা শান্নবদা ওইনা মাঙদা থল্লগা শান্নবা হৌরক্লে। অরেম্বদা ঙাওশিন্নরগা লৈগদবগী শরুকপুদি মহাক্না হৈনগদবা অপাম্বা শিনফম অমদা মায় ফজনা ওনশিল্লগা থবক তৌহন্নীংই। শান্নরোয় অমা ওইনা চাবা থকপা মতমদা য়াম্না চেকশিনবা তাই। মহাক চিনি চাদে, চিনি চারগদি য়াম্না কুইনা শান্নবা ঙমদে হায়। মদুগী মহুত্তা হনি ওইনা চাই। হৈদি অয়াম্বা চাবা ফংদে। মদুনা মখোয়না থোকপদা চমপ্রা ওইনা চাবা য়াওই। লমদম অসিগী নুপীমচাশিংনা শান্নবা হৌরকপা মতমদা মীওই খরনদি মসিগী নুপীমচা অসি শান্নবা ওইগদৌরিব্রনে হায়নবসু য়াওই। অদুবু মখোয়না ঙাঙনীংবা ৱা ঙাঙজসনু, অদুগী মহুত্তা মহাক্না তৌগে খল্লিবা থবক অদুদি মপূং ফানা পায়খৎনবা হোৎনফম থোকই।

মহাক কুমজা ২০১৪দা কেরলাদা নেসনল গেমস য়াওবা চৎলি। মদুদা মতম অদুগী চীফ মিনিষ্টর ইবোবীগী কোংগ্রেস লৈঙাক্না হান্না লাউথোকখিবগী মতুংইন্না গোল্ড লৌরকপদা লৈঙাক্কী থবক পীগনি হায়না লাউথোকখিবা মতুংইন্না মখোয় লৈঙাক্না থবক পীদুনা মহাক্তি চুড়াচান্দপুরগী স্পোর্টস দিপার্টমেন্টা ফিজিকেল এদ্যুকেসন টিচর (পি ঈ টি) ওইনা মহাক খন্দুনা হৌজিক থবক পুরি। মহাক্না শান্নববু পামজবা লমদমসিগী নুপীমচাশিংদি ক্রিপসাদা পুশিনবীদুনা শান্নবা য়াম্না য়াওহল্লি। মরম অদুনা নুপীমচাশিংনা শান্নবা হৌরকপা মতমদা অপ এন্দ দাউন কয়া লৈগনি, পুন্সিদা অৱাবা কয়া থেংনগনি, নুংঙাইবা কয়াসু লৈগনি। অদুবু মখোয়না করিগুম্বা মায় পাক্লগদি ৱারী ওইনা তুংদা লৈহৌগদবা লৈবনা কন্না হোৎনরগা দিসিপ্লিন নাইনা থবক তৌবা য়াম্না মরু ওই। লোয়নননা মীনা শক খঙবীনবা অফাওবা প্লেয়র অমা ওইনবা হোৎনমিন্নসি হায়খি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।